**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 24-06-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি যুমাম খেমচান্দনা হায়রি- লৌমীশিংবু মপাঙ্গল কলহন্দুনা রাজ্য অসিগী খুঙ্গংশিং চাওখৎনবা সরকার অসিনা চপ চানা লেপলি ।

২) রাজ্য সরকারগী আই.পি.আরগী সেক্রেটরি-হুংয়ো ৱারশংনা হায়রি- উংখৎনবগী ফিভম লৈরিবা মনিপুরদা সোসিয়েল রিমদিয়াগী খুখাংদা অরানবা পাডশিং শন্দোকপা থিংনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

৩) ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাবু রাজ্য অসিগী মোদেল দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইনা শেমগৎনবগী থবক ঙসিদগী ইম্ফালদা হৌখ্রে।

৪) নেসনেল হায়ৱে ৩৭, ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী সিভিলোং অমসুং কৈমাইগী মরক্তা লম্বী নিংখায়বদগী চৎথোক চৎশিনদা চাউনা অপনবা থোক্লে।

অমসুং

৫) নার্কো কোওর্দিনেসন সেন্তরগী ১০ শুবা অপুনবা মীফম লাক্লিবা ইরাই নুমিৎতা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোক্লগনি।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি যুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা রাজ্য অসিগী এগ্রিকলচর অমদি হোর্তিকলচরগী হাই লেবেল টাস্ক ফোর্সকী মীফম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেতরিয়েটতা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা এগ্রিকলচর অমদি হোর্তিকলচর বিভাগকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি হায়রি। মীফম অদুদা লৌমীশিংগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্দুনা মখোয়গী পোত্থোক হেন্না পুথোকহন্নবা অমদি মরোমদোম লেপচবা ঙমদুনা চাওখৎপা খুনাই অমা ওইহন্নবগী মতাংদা পায়খৎপা য়াবা থৌরাংশিং পায়খৎনবা কুপা খন্নখি হায়রি। মীফম অদুগা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রিনা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়- হাই লেবেল টাস্ক ফোর্সনা লৌরিবা থৌদাং অসিনা এগ্রিকলচর অমদি হোর্তিকলচরগী লমদা পায়খৎপা থৌরাংশিং মায় পাকহন্দুনা রাজ্য অসিগী লৌমীশিংদা খুদোংচাবা ফংহন্নবা পান্দম থম্লি। সরকার অসিনা লৌমীশিংবু মপাঙ্গল কলহন্দুনা রাজ্য অসিগী খুঙ্গংশিং চাওখৎ লম্বীদা পুরকবা চপ চানা লেপলি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

এআই (এল)ঃ দাইরেক্তোরেট ওফ ইনর্ফোমেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স (দি.আই.পি.আর) না শিনদুনা এপ্লিকেসন ওফ আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স ইন জর্নেলিজম এন্দ মেদিয়া ফেক চেক্কিং হায়বসিদা ৱার্কশোপ অমা ঙসি ইম্ফালগী নিত্যপাক চুথেক্তা লৈবা দি.আই.পি.আরগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা আই.পি.আরগী সেক্রেটরি-হুংয়ো ৱারশংনা হায়- উংখৎনবগী ফিভম লৈরিবা মনিপুরগুম্বা রাজ্য অসিদা সোসিএল মেদিয়াগী খুত্থাংদা শাজিন্নবা পাউ কয়া থাগৎতুনা মীয়ামদা লান্না পাউ পীরি। অসিগুম্বা অরানবা পাউশিং অসি জর্নেলিজমনা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা অচুম অরানগী পাউ থিদোক্তুনা মীয়ামদা অচুম্বা পাউশিং ফংহন্নবা থবক পায়খৎলি।

থৌরমদুদা দি.আই.পি.আরগী দাইরেক্তর-ডা: টি.ঐচ. চরনজিৎ সিংহনা হায়-ৱার্কশোপ অসি মরুওইনা এ.আইগী মতাংদা অহেনবা গ্যানশিং খঙননবা পাঙথোকপনি। এ.আই.সি. মালেম শিনবা থুংনা পাক শন্না মীয়ামনা খঙনরবা ঙাক্তনি। ই-পাউগী লমদসু এ.আই. শিজিন্নবা হৌরে।

নুংথিলগী সেসনদা রিছোর্স পার্সন অহুমনা তোঙান তোঙানবা হীরম অহুমদা ৱা ঙাংখি।

মাষ্টেক (এল)ঃ  রাজ্য অসিগী হৈথোই শিংথোইরবা মহৈরোইশিংদা বিগ্যানগী লমদা অহেনবা মহৈ মশিং ফংহন্নবা পান্দমদা নুমিৎ হুমিগী ওইবা সাইন্স মোতিভেসনেল প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী তাকয়েলপাৎতা লৈবা মণিপুর সাইন্স সেন্তরদা হৌখ্রে।

মণিপুর সাইন্স এন্দ টেকোলোজি কাউন্সিল (মাষ্টেক)না রাজ্যগা সাইন্স এন্দ টেকোলোজি বিভাগকী তেংবাংগা লোয়ননা শিনবা থৌরম অদুদা মহৈরোইশিংদা মেথমেতিক্স অমসুং সাইন্সকা মরী লৈনবা দেমোন্সত্রেসন অমা উৎখি।

তুংদা মহৈরোইশিং তাকয়েলপাৎতা লৈবা মণিপুর টেকিকেল য়ুনিভর্সিতি অমসুং আই.বি.এস.দিদা ফিল্দ ভিজিৎ চৎখি। থা অসিগী ২৬ ফাওবা চথুগদবা থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা হয়েং লাঙ্গোলগী শিজ একাদমি ওফ হেলথ সাইন্সেস অমসুং ইরোইশেম্বদা লৈবা সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতিদা ফিল্দ ভিজিৎ চৎকনি। বিগ্যানগী লমদা খঙ হৈরবা মীওইশিংগা হকথেংননা উন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শাবগী থৌরমসু পাঙথোক্কনি।

থৌরম অদুদা সরকার অমসুং লন্নাই স্কুলশিংগী মহৈরোই পুন্না ৪০ রোমা শরুক য়ারি।

ৱার্কশোপ (এল)ঃ  ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাবু রাজ্য অসিগী মোদেল দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইনা শেমগৎনবগী থবক ঙসিদগী ইম্ফালদা হৌখ্রে।

মনিপুর সরকারগী আয়ুসমান ভারত দিজিটেল মীসন (এ.বি.দি.এম) অমসুং আয়ুসমান ভারত প্রধান মন্ত্রি জন্ন অরোগ্যা য়োজনানা শিনবা থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা ষ্টেট মোদেল দিষ্ট্রিক্ট হোদোকপগী ৱার্কশোপ অমসু পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা এন.ঐচ.এগী সি.ই.ও- ডা: সুনিকুমার বর্নৱাল য়াওনা মনিপুর সরকারগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বালগী সেক্রেটরি অমদি কন্মিস্নার- সুমন্ত সিংহ, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কন্মিসনার ময়াংলম্বম রাজকুমার য়াওনা জিলা অসিগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েশিং শরুক য়াখি।

জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ময়াংলম্বম রাজকুমারনা এ.বি.দি.এম মোদেল দিষ্ট্রিক্টকী মতাংদা প্রজেন্টেসন পীরদুনা হায়- জিলা অসিবু মোদেল দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইনা শেমগৎনবা হোৎনবদা সেক্তর খুদিংমক্তা অওনবা পুরকবা হোৎনরি। হকশেল, মহৈ মশিং অমদি মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংগী স্কিমশিংদা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি।

থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা সেক্তরশিংগী পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা প্রাজেন্টেসন উৎপগা লোয়ননা খন্ন-নৈনখি। হকশেলগী লমদা এ.বি-পি.এম.জে.এ.ৰাই-সি.এম.ঐচ.টি, দিজিতেল হেলথ ইন্সেন্তিভ স্কিমনচিংবগী লমদা কুপা খন্ন-নৈনখি।

লম্বী (এল)ঃ নেসনেল হায়ৱে ৩৭, ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী সিভিলোং অমসুং কৈমাইগী মরক্তা লম্বী নিংখায়বদগী চৎথোক চৎশিনদা চাউনা অপনবা থোক্লে। লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমি লম্বী অসিদা চৎথোক চৎশিন তৌবদা অপনবা লৈখিগনি হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়- তমেংলোং জিলাগী কৈমাই পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা সিভিলোং অমদি কৈমাই খুল অনিগী মরক্তা লৈবা শান্তি খুনৌদা লম্বী নিংখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। মসিগীসু মথক্তা নুঙ দলালগী ওইনামলোং জিরো পোইন্ট হায়না খঙনবা মফমদসু চীং নীংখায়বগী থৌদোক থোকখি হায়রি। মসিনা মরম ওইরগা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা ঙাক শেন্দুনা ইম্ফাল তমা লাক্কদবা মাল পুবা গাড়িশিং লাকখিদ্রে। অমরোমদা ইম্ফাল্লোমদগী জিরিবাম তমা চৎখিবা গাড়িশিং তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পন্দুনা লৈরি হায়রি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালশিংগী মনুংদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা অরুবা লায়না কয়া লায়েংবগী চাং নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লি। হোস্পিতাল অসিদা টোতেল হিপ রিপ্লেসমেন্ট মায় পাকা পাঙথোকখ্রে। হৌজিকনা কেন্সরনা নাবা মীওই অমা কেমো থেরাপি পীদুনা লায়েং চথুরি।

ঐখোয়গী বিষ্ণুপ্র পাউমী আর.কে. মণিপুরসনানা হোস্পিতাল অসিগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডাঃ দিবেশ্বরগা উন্নদুনা ৱারী শাবদা হোস্পিতাল অসিদা অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী অনাবা কয়া লায়েংবা লাকপগী মথক্তা য়ুমথংনবা লৈবাক ম্যান্মারদগী অনাবা লায়েংবা লাকখিবা পেসেন্টশিং নিংথিনা লায়েংখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, হোস্পিতাল অসিগী মেদিকেল ওনকোলোজিষ্ট ওইবী ডাঃ পি. লিন্থোইঙম্বীনা হায়- হোস্পিতাল অসি কেন্সর লায়েংনবগীদমক ইমপেনেল তৌদ্রবসু, ব্রেষ্ট কেন্সর নাবশিংগী ওইনদি সরকারনা লেমা হিদাক পীরকপনা অসিগুম্বা লায়না অসি হোস্পিতাল অসিদা লেমা লায়েংবনি।

পোলিও (এল)ঃ রাজ্য অসিগী মফম শিনবা থুংনা থা অসিগী ২৮ দগী ৩০ ফাওবা চথুগদবা পলস পোলিও ইম্ম্যুনাইজেসনবু মপুং ফানা পাঙথোকবগীদমক মফম কয়াদা শেম শাবা হৌখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার সভাপতি ওইদুনা ঙসি পোরোমপাৎতা লৈবা দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সকী কনফরেন্স হোলদা নেসনেল ইম্ম্যুনাইজেসন ডে ২০২৬ কী দিষ্ট্রিক্ট টাক্স ফোর্স ফোর ইম্ম্যুনাইজেসনগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মদুদা ইম্ফাল ইষ্টকী সি.এম.ও য়াওনা মরী লৈনবা মীওই কয়া শরুক য়াখি। মীফম অদুদা পোলিওগী হিদাক জিলা অসিগী মফম শিনবা থুংনা য়ৌহন্নবগীদমক পায়খৎপা য়াবা থৌরাংশিং পায়খৎনবা কুপা খন্নখি হায়রি।

চান্দেল (এল)ঃ চান্দেলগী দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতিনা শিন্দুনা ইন্তেন্সিফাইদ পলস পোলিও ইম্ম্যুনাইজেসনগী মতাংদা নোংমগী ওইবা জিলা থাক্কী খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। চান্দেলগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মেদিকেল ওফিসারশিং, সুপরভাইজর অমদি আশা ফেসিলিটেতরশিং য়াওনা হোস্পিতাল অদুগী ষ্টাফশিং শরুক য়াখি। মীফম অদুদা ইন্তেন্সিফাইদ পলস পোলিও হম্ম্যুনাইজেসনগা মরী লৈননা পোলিওগী হিদাক করমা থমগনি অমদি হিদাক অসি মফম শিনবা থুংনা য়েন্থোক্তুনা চহি ৫ ফাওবগী

মনুংদা লৈবা অঙাং খুদিংমক অমত্তা চিংখদনা হিদাক অসি য়ৌহন্নবা হোৎনবগী মতাংদা কুপা খন্নখি হায়রি।

ফেরজোল (এল)ঃ ফেরজোল জিলাগী দিষ্টিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতিগা খুৎশমদুনা ষ্টোপ দাইরিয়া কেম্পেন ২০২৬ হৌদোকখ্রে। মসিগা লোয়ননা লৌনগনদবা লায়নাশিং স্ক্রিনিং তৌবা অমদি এৱারনেস প্রোগ্রামসু পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ফেরজোল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অনুনে আনন্দনা হায়- খোঙহামথবগী লায়নাদগী ঙাকথোকবগীদমক খুৎ-শা শেংনা হামদুনা লু-নান্না লৈবা, ও.আর.এস মতম চানা শিজিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। মসিগীদমক হেলথ ৱার্করশিংনা মীয়ামদা খঙহন্নবা লেপ্তুনা হোৎনগদবনি হায়নসু মহাকা ফোংদোকখি। চুরাচান্দপুর জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট লেবেল কোওর্দিনেসন কমিতিনা ষ্টোপ দাইরিয়া কেম্পেন ২০২৬ গী মতাংদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী হোলদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি

ককচিং (এল)ঃ এম.বি. কলা সঙ্গিৎ বিদ্যালায়া ৱাবগাই তেরা উরক্কী ১৭ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। ককচিং জিলাগী মনুং চনবা ৱাবগাই য়াংবী কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা নট সংকৃটন, খুনুং ঈশৈ, থাং-তানচিংবা তোঙান তোঙানবা নাৎকী ওইবা থৌরমশিং উৎখি হায়রি।

নোং (এল)ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- লাক্লিবা ন্মিৎ মরি মঙানি অসিদা জিরিবাম য়াওনা রাজ্য অসিগী চীংগী জিলা খরদা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই। তমেংলোং, সেনাপতি, কামজোং, নোনে, তেংনৌপল, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাদা লাক্লিবা নুমিৎ মরি মঙানি অসি ফাওবা নোং চুরবা য়াই হায়রি। ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাদসু থা অসিগী ২৬ তা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই।

সাহ্ঃ  নার্কো কোওর্দিনেসন সেন্তরগী ১০ শুবা অপুনবা মীফম লাক্লিবা ইরাই নুমিৎতা গৃহ্ মন্ত্রি অমিত সাহ্না সভাপতি ওইদুনা পাঙথোক্লগনি।

গৃহ্ মন্ত্রালয়গী মতুংইন্না নার্কোতিক্স কন্ত্রোল ব্যুরো (এন.সি.বি)না শিন্দুনা নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্কদবা মীফম অসিদা কেন্দ্রগী তোঙান তোঙানবা মন্ত্রালয়শিংগী মীহুৎশিং য়াওনা রাজ্য সরকার অমদি ড্রগ লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংগী মীহুৎশিং শরুক য়াদুনা ড্রগ করবার তৌবা থিংনবা পায়খৎলিবা থৌরাংশিং কুপা য়েংশিনগনি হায়রি। থৌরম অদুদা গৃহ্ মন্ত্রি অমতি সাহ্না ইং ২০২৬ তগী ২০২৯ ফাওবগী ভিজন দোক্কুমেন্টস ওন নার্কোতিক্স কন্ত্রোল ফোংগনি। ড্রগ লল্লোনবা থিংনবা হোৎনবগী মথক্তা ড্রগ শিজিন্নবা হন্থহন্নবা থৌরাং কয়া দোক্কুমেন্ট অসিদা য়াওরি।

সিম কার্দ ঃ সিম কার্দপু লান্না শিজিন্নবগী মায়োক্তা পায়খৎপা থৌরাংশিংগী মতাংদা ঙসি কেন্দ্রগী কম্ম্যুনিকেসন রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ চন্দ্রসেখর পেমাসানিনা য়েংশিনখ্রে।

শ্রী চন্দ্রসেখরনা হায়- সিম কার্দ লান্না শিজিন্নবনা থোকহল্লকপা পামদবা থৌদোকশিং থিংনবগীদমক্তা পায়খৎপা থৌরাংশিংগী মনুং চন্না মীয়ামদা হিরম অসিগী মতাংদা ভাব তাহ্নবা হায়বসি তঙাইফদবা ওইরি। মসিগীসু মথক্তা অসিগুম্বা অরানবা তৌবা মীওইশিং অদুবু মাংজোননা খঙদোকপা ঙমবা লৈরিবা খুৎশু খুৎলায়শিং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবা তঙাইফদেহায়নসু মন্ত্রিনা মখা তাখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল(এল)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)না শিনবা ৬৫ শুবা সার চুরাচান্দ সিংহ্ কে.সি.এস.আই. সি.বি.ই. মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী চেম্পিয়ন অনৌবা ইমাগী মঙাল (এইম) খাবম লমখায়না ওইরে।

ঙসি ইম্ফলগী মপাল কাংজৈবুংদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা অপিবা মতমদা পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো ওইবদগী পেনাতি কাউনবদা এইম খাবমনা উৎলৌ এফ.সিবু পাঞ্জল ৫-৩ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

ফিফাঃ  ফিফা ৱার্ল্ড কপ-২০২৬ কী ঙসি অহিং নোংয়াই মতুং পুং ১২ মখায়দা গ্রুপ-বিগী মেটচ অমদা স্বিটজরলেন্দ অমদি কানাদা শান্নরগনি। গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদনা পুংফম অসিমক্তুদা বোসনিয়া এন্দ হর্জগোভিনা অমদি কটার লম্বা তৌনগনি।

হয়েং অয়ুক্কী পুং ৩ মখায় তাবা মতমদা গ্রুপ-সিগী মেটচশিংদা মোরোকো অমদি হাইতি লোয়না ব্রাজিল অমদি স্কোটলেন্দ শান্নগনি। হয়েং অয়ুক পুং ৬ মখায় তাবা মতমদা গ্রপ-এগী মেটচশিংদা সাউথ আফ্রিকা অমদি সাউথ কোরিয়া, চেক রিপাব্লিক অমদি মেক্সিকো শান্নগনি।

------